থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পুন্সি মশক খঙনবা মীওইবগী অনৌবা এক্সপরিয়েন্স

নুমিৎ ৫৪ নিগী লোকদাউন মতম লোইখিদুনা, অতোপ্পা নুমিৎ ১৪ নি অমগী লোকদাউন - ফোর (মরিশুবা ফেজ) ঙরাংদগী হৌখরে। মে ৩১ দা লোইগনি। লোইগনি হায়বগী ৱানি, লোইগদবা নত্তে, জুন ১ দগী মঙাশুবা ফেজ অমুক হৌগনি। লোইরোইদ্রে খঙই। ঐতা নত্তে, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই চাম-কুম্মামক লোইনা খঙলমগনি। মরমদি কোভিদ-১৯না নাবা মীশিং লেপ্পা লৈত' হেনগৎলক্লি, হস্থনবা ঙমদরি। সুক্লে লৈরমদ্রবা মণিপুরসিদসু কৈদৌঙৈ মরায়বক থীরবা অহল অমা কোরোনানা হাৎখি'দগে? পাউ অদু ঙাইনরি। মুম্বাইদগী থুংলখিবি, কোরোনা পোজিটিভ ওইরবী, হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা লৈরিবীদুগী মনাক্তা হোস্পিটালগী দাক্তর/নর্স অমত্তা চঙলক্তুনা হংলদে। অনাবদুগী সেবাদি, অতোপ্পা কোরোনা-পোজিটিভ ওইরবা-অনাবা, পেসেন্টতুগী মচানুপাদুনা তৌরি হায়বা পাউ অমা পাউচেশিংদা ফোঙনরকখি। করিগী চঙখিদবনো? পি পি ঈ (পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্যিপমেন্ট) লৈতবগীরা ? পাউদম অসি ইরিঙৈ মরকসিদদি চঙলক্সসু যারে মনাক্তা। পাউচেগী পাউদমদু হনজিন্না অমুক তম্লবগী মরমসু অসিগুম্বা, লৈফম থোক্তবা দ্যুটি-লাপস লৈখিবগী পাউদু মখা তানা তানিংলুদবননি। য়াম্লবা মীয়াম অমা, রেদ ক্রোস সোসাইটিগী চেট্ট তৌফমদা থাদরম্লগা মাগী-মাগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা থিনবীনবা ট্রান্সপোর্টর লৈতদুনা, পেসেঞ্জরশিংদুগী ইমুংগী মী লাক্তুনা ময়ুমদা পুখিবা, কোন্না অমুক লৌখৎলুবগী পাউ অদুসু - ঐনা তানিংখিদবা পাউ অমনি। মণিপুরগী ওইনদি, থা অনী লোকদাউন তৌরুরগা, খ্বাইদগী নুংঙাইবা পাউ তাদুনা হান্নগুম নোর্মেল ওইবা পুন্সি অমা লেনফম থোক্কবা মতমসিদা, কোভিদ-১৯গা নৌনা মায়োক্লবগী এক্সপরিয়েন্স অদুগী অহৌবা ওইদৌরি। লোকদাউন - ফোর, অফা-অপুন্নবা পুন্সিদুদগী কোমথোক্তা লৈরগদবা মতমসিদা ঐখোয়দি গ্রীনদগী য়েল্লো অমসুং রেদ জোনদা তপ্না-তপ্না চঙশিনদৌরি। সিরিয়স নোট অমগা লোয়ননা হৌরকখিবা, মোদিগী কোভিদ-১৯ এনকাউন্টর, কুইর-কুইরগা মীয়াম্না করম্লেনফম ওইবা থৌওং অমা তারক্কদৌরিবরা? ফাগি ওইনা লৌবা য়াদবা ফাগি ময়াম অমা সোসল মেদিয়াদা ৱাই চাইরক্লে। হায়দরবাদ লোমদগী ভাইরেল ওইরকপা ভিদিও অমনা য়াম্না চুম্না ফাগি অমা তৌরক্লি ... 'ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ নাবা মী ৫০০ শুরকপদা লোকদাউন ফিরেপ লাউথোকখি, লীশিং মঙা য়ৌরকপদা লৈপাক হুপ্পা খুবাক খুখি, লীশিং ১০ শুরকপদনা ইমুংগী মৈ মুথৎহল্লগা থাওমৈ মঙালনা অমম্ববু ঙালহনখি... ওস্থোকপনি ইন্দিয়া ! লীশিং য়াংখৈ হেল্লকপদদি যুগী দুকান হাংদোরক্লে, হোম দেলিভরি তৌরক্লে, লীশিং হুম্ফু হুম্ফুতরা নারকপদদি ট্রেন সর্ভিস হৌদোরক্লে ... কোরোনাসু কোক ঙাওরে 'ঐবু করিনুংগী লমদমসিদা লাক্লবনো অনাবা মশিং হেনগৎলক্লিবগী মতিক, মীশিং য়াম্না শিরিবগী মতিক হরাও-তয়াম সেলেব্রেসন হেনগৎলকপা, অসিগুম্বা লমদমদি মফম কৈদসু উরক্ত্রি' ...। কোরোনাগী মমাংদা শীংনদুনা ঙাঙবদু ইকাইরক্লব্রা করিনো ! ইকাইখুম্নরবা প্রাইম মিনিষ্টর, কোভিদ-১৯ লোকদাউন-ফোর লাউথোকপদুদি হোম মিনিষ্টরবু লাউথোকহল্লক্লে। তৌগদবা অমসুং তৌরোইবা থবক পরেং লাউথোকখ্রে। ময়াম খঙবীরিবদুনি, হন্না অমুক ইজররোই। অসিগুম্বা থৌওংদি মমাংগী লোকদাউন সেরিজ অহুমদুগী মনুংদসু অহকপা সুপরভিজন মখাদা তৌহনবা য়াবা ময়াম অমা য়াওরম্মী। এক্সপরিয়েন্স ইজ দ বেষ্ট টিচর - থবক হায়বসিদি তৌর-তৌরগা শিংলকই হায়বদুনি। মহীকসিগী ইনক্যুবেসন পেরিওদ নুমিৎ ১৪ নি হায়বা তাবদুদা নুমিৎ ২১ চুপ্পা য়াম্লবা ইন্দিয়াগী মীয়ামসি ময়ুম ময়ুমদা ফাজিন্দুনা থম্লবদি অনাবদু অমদগী অমদা শন্দোরকপা ঙম্লরোই হায়না ইচম চম্না খল্লুবা জাৎনি। চিনাগী ৱুহান সহর, হুবৈ প্রোভিন্সতা গভর্নমেন্ট ওথোরিটিনা পায়খৎখিবা অহকপা থৌওং কয়াদুদি লমদমসিদা পায়খৎপা ঙম্নবা পোলিটিকেল ওথোরিটি, এদমিনিষ্ট্রেটিভ স্কিল, ইনকনমি পাৱর অমদি পিপলস' দিসিপ্লিন'দুদি লৈখিদবা ! নুমিৎ ৭০গী লোকদাউন লোইরগা হাংদোরকপা নুমিত্তা 'ঐখোয় কোভিদ-ফ্রী ওইরে' হায়না মীয়ামদা সেল্ফ কনফিদেন্স অমা পোকহনবা ঙমখিবদুগী পুমওন ওন্নবদা, ইন্দিয়াগী নুমিৎ ৬৮ গী লোকদাউন লোইরকপা নুমিত্তা ওইরকপা য়াবা শক্তম অমনি - কোভিদ-১৯না নারবা মীগী মশিং লাখ অনী, শিখিবা মশিংনা লীশিং কুন ! অদুগা সোসল দিষ্টেন্সিং নোর্ম ঙাক্লগা মেত্রো রেল, এয়র সর্ভিস অমদি ইন্টর-ষ্টেট বস সর্ভিস হৌদোকপা ! মরমদি, ঐখোয় কোভিদ-১৯ ভাইরসকা লোয়ননা হিংবা তম্বা নত্তনা লৈতে অতোপ্পা পাম্বে অমা। হায়বা ইনবা, ৱাখল-তাবা কাঙবুনা হিংহৌবা, লমকেৎপা মচা-মশু লৈবা ইমুংগী অহল-লমন অমদি নাৱাশিংনা শিজখিবা ... মহৌশাগী অনৌবা লো ওইরক্লনি। লো অসি শীংননবা কোভিদ-১৯-ভেক্সিন অমা পুথোক্লবা মীওইবগী লেবোরেটরি চাংয়েংদি চথুখিগনি মতম খরা। এইদস-ভাইরস থেংননবা, এইত্তিজগী মতমদগী চথুরকপা চাংয়েং ঙসি ফাওবা লোইদ্রিদনা ! অদুবু হিংবদি হৈরে মীওইবা এইদস ভাইরসকা লোয়ননা।

পুকচেল শেংলবা দাক্তরশিংনা হায় ... 'হৌজিকমক্কী ওইনা লায়না অসিনা নারবা অনাবা অমদা থাননবা চপ চাবা হীদাক মেদিকেল সাইন্সনা পুথোক্ত্রি, হীদাক লৈত্রি' ...। অমেরিকা অমদি য়ুরোপতা লাক'ঙমদনা শিরিবা - হীদাক লৈতবদুননি। ইন্দিয়ানা করি তৌদৌরিবা? মণিপুরগী ৱাদি খন্নরগুমসি। 'ইম্ম্যুন-সিষ্টেম কনখৎহল্লু ... হকচাং তীক তীক লাউহল্লগা হকচাংসিনা মরোমদোম কোরোনাগা লান্থেংনখিদৌনি' ... দাক্তরশিংনা হায়রিবনি। অদু ওইরবদি কোরোনা-কোভিদ-১৯না হন্দক মীওইবদা লান্দারক্লম্লিবসি 'পুন্সি করিনো' তাক্লবা, পারা অমা তম্বীনবা ওইবা তাই। মীওইবগী পুন্সিখক্তনা পুন্সি নত্তে। তুমিৎ, কাঙ, মহীক-মতায়, শা-ঙা, উপাল-ৱাপাল পুন্নমক পুন্না হিংমিন্নবদুবু পুন্সি কৌই।

লৌশিং পুক্কে

# চপ চাবা মরম খঙদনা ষ্ট্রোক তৌরকপা

ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদনা ষ্ট্রোক তৌরকপগী থৌওংবু ক্রিপ্টোজেনিক ষ্ট্রোক (সী এস) হায়না খঙনৈ। হৌজিক ফাওবদা সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন-হুমজিনবদা সী এস তৌহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি।

ইস্কেমিক ষ্ট্রোক শরুক অহুমগী মনুংদা অমরোম ক্রিপ্টোজেনিকনি। অয়াম্বা মতমদা অহলদগী নহাদনা হেন্না মায়োক্লগনবা ক্রিপ্টোজেনিক ষ্ট্রোক দাইগনোস তৌনবগীদমক ট্রান্সইসোফেগিয়ল কার্দিওগ্রাফি, ঈ সী জি, সী টি/ এম আর এঞ্জিওগ্রাফি, ট্রান্সক্রেনিয়ল দোপ্লর সোনোগ্রাফি, ব্লদ কেমিকেল ইনভেষ্টিগেশন অমসুং কোগুলেশন টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই।

কনাগুম্বা মীওই অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ক্রিপ্টোজেনিক ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবরা হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংগী মরক্তা য়েৎনবা কয়ামরুম লৈরি। ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রিবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি।

য়াম্না শম্না হায়রবদা ষ্ট্রোক হায়বসি 'ব্রেন এটেক' নি। মীওই খুদিংমক মতম অমদা হেক্তা মায়োক্লবা য়াই। ব্রেনগী অখন্নবা মফম অমদা ঈ য়ৌরকপা ঙমদবদগী ষ্ট্রোক তৌরকপনি। মতমদুদা ব্রেনগী সেলশং ওক্সিজেন ফংদবদগী মথং-মথং শিরকই। ষ্ট্রোক তৌবদগী ব্রেন সেলশিং শিখিবা তারবদি হায়রিবা ব্রেনগী শরুক অদুনা কন্ট্রোল তৌরম্বা হকচাংগী মথৌদা অকায়বা পীরকই।

ষ্ট্রোকনা মীওইবদা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনবগে হায়বদুদি ব্রেনগী করম্বা মফমদা ষ্ট্রোক তৌবগে অমসুং কয়া য়াম্না ব্রেন অমাঙ অতা থোক্লবগে হায়বদুগী মখা পোল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না নেম্বা চাংদা ষ্ট্রোক তৌরবদি খোঙ নাম্ম নৎত্রগা খুৎ নাম্মখক শোন্থরকপা নৎতনা অতৈ অতোপ্পা থোইদোকপা খুদোংচাদবা মায়োক্লদবা য়াই। খরা চাউবা মওংদা ষ্ট্রোক তৌরগনা হকচাং নাকল নাম্ম শিথখিবা নৎত্রগা মরোল থোকখিদবা য়াই।

ষ্ট্রোক তৌরবা মতুংদা শুপ্নগী মীওই খরখক মপুং ফানা ফগৎলকই। অদুবু মীওই অয়াম্বা মখল অমা নৎত্রগা অমগী শোইনাইবা পুন্সি মহিংদা হিংবা থেংনৈ।

সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী মালেমদা মীওই অমা নৎত্রগা অমা ষ্ট্রোক তৌই। মিনিট ৪ খুদিংগী মীওই অমা ষ্ট্রোকনা মরম ওইদুনা শিহনবা তারবসু মতীক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌরবদি মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্মী। উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশীং মরাং কায়না চাবগা লোয়ননা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তোয়না তৌবা, মৈখু শীজিন্নদবা অমসুং য়ু থক্তবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা চেকশিন থৌরাংনি।

কনাগুম্বা মীওই অমা ইখঙ খঙহৌদনা মায়, পাম্বোম অমদি খোঙদা খংশোন-শোনথরকপা; খঙহৌদনা ৱা ঙাঙবা থোক্তবমখৈ ৱাখল চমম্নরকপা; ময়েক শেংনা উবা ঙম্লক্তবা, কোক খংচীক চীক্লকপা অমসুং চুম্না লেপ্পা ঙমদবদগী চৎপা ফাওবা ঙম্লক্তবা তারবদি ষ্ট্রোক তৌরকপগী খুদমনি। মতমদুদা ঙল্লিবমখৈ থুনা দোক্তরগী মনাক্তা পুবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, নুমীৎ খুদিংগী শিং মচেৎ অমমম চাবনা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা হার্টকী ফীভম ফহল্লি। ঙসিগী মীরোলদা হকচাং লেঙ-ওৎপা ৱাৎপা অমসুং চাকচা-যুথক শোয়বদগী হাইপরটেন্সন (ব্লদ প্রেসর ৱাংবা) হায়বসি য়ুমথোঙ খুদিংদা মায়োক্লবা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে।

অনৌবা মতমগী হীদাক-লাংথক্লা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবসু মহৌশাগী ওইবা পোৎলম শীজিন্নরবদি মখল অমত্তগী সাইদ ইফেক্ট থোকহন্দনা হকচাংদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংহল্লি। হার্ট ফহন্দুনা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌরিবা মহৌশাগী পোৎলমশিংদুগী মনুংদা শিং অসিসু অমনি।

য়ুমথোঙ খুদিংদা ইরায় লায়না ফংবা অমসুং এন্সাং মহাউ হেনগৎহন্নবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নরিবা শিংনা ঈগী ঈচেল ফহন্দুনা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী। নুমীৎ খুদিংগী জিঞ্জর-টি থকপা নৎত্রগা এন্সাং থোং থাকপদা শিং হাপ্পা তারবদি ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌদুনা থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোকই।

অখন্নবা লায়ওং অমত্তা উৎথোরক্তবা অমসুং ইরায় লায়না খঙবা ঙমদবা মরম্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবা হায়বসি 'সাইলেন্ট কিল্লর' মখল অমনি। তোয়না কোক চীকপা, নিংশা শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, নাহী তারকপা অমসুং ময়েক শেংবা উবা ঙম্লক্তবা হায়বসি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগী খুদম খরনি। অদুবু খ্বাইদগী শোয়দবদি ডোক্তরগী মনাক্তা চৎতুনা চেক তৌথোকপনি।

মতম অমদা মেদিকেল সাইন্সনা খুম্মাং চাউশিনবা ঙমদ্রিঙৈদা শিংবু মখল কয়াগী লায়না লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্মী। এন্টি-ইনফ্লেমেটরি, এনালজেসিক, এন্টি-ওক্সিদেন্টে, এন্টি-ইমিটিক অমসুং এন্টি কেন্সরগী মগুন চেনবা শিংনা মখল খুদিংমক্কী এলর্জি ফহন্দুনা নিংশা শ্বর হোনবা নুংঙাইহল্লি। লোক থুংবদগী খনাউ নাবা, নাতোল ফুনবা অমসুং লোক খুরকপা মতমদাা জিঞ্জর-টি থক্লবদি কান্নবা ফংই। খনাউ নাবগী মতাংদা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্তি খোইহী চামচ অমদা শিং অশুবগী মহী য়ানশিল্লগা থকপনি। ওনিংবা, ওবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, কোক চীকপা, তাঙ-তাঙ চীকপা অমদি মশল নাবদা শিং চাবা নৎত্রগা জিঞ্জর-টি থকপা তারবদি অৱাবা কোকই। এন্টি-ওক্সিদেন্টকী চাং ৱাংনা য়াওবা শিংনা কেন্সর মখল খরসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

# লোকদাউনদা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লায়রবশিং লাক্লবগী মরমদা মে ১৯ দা প্রোটেষ্ট তৌগনি : সী পি আই

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

লোকদাউনদা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লায়রবশিং লাক্লবগী মরমদা মে ১৯ দা লৈবাক শিনবা থুংনা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সী পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজানা থাদোকপা চেরোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন লাউথোকখিবদগী মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়া থবক ফংলক্তবা, চানবা মরাং কায়না ফংলক্তবদগী অৱাবা মায়োক্লরি। ময়ুমগী মীওইশিং মতেং পাংনবা মশাগী ষ্টেটশিংদা হন্নরকপদা অৱা-তেংবাং পীদবা অমদি শেলগী মতেং পাংবীদবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লহনবগী মায়োক্তা মে ১৯ দা লৈবাক শিনবা থুংনা প্রোটেষ্ট তৌগনি। কোভিদ-১৯ পাক শন্না শন্দোরকপা থিংনবা লোকদাউন শাংদোকহনখিবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মীচম-মীয়ামগী য়েংদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর লাখ ২০ গী ইকনমিক পেকেজ লাউথোকখ্রে। ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ইকনমিক পেকেজ অদুগী শীজিন্নগদবা শেনফম মীয়ামদা ফোঙদোকখিবদু মরুওইনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবনি হায়না সী পি আইনা ফোঙদোক্লি।

ফাইনান্স মিনিষ্টরগী ৱারোল অদুনা হৌজিক মীচম-মীয়াম্না মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অকনবা শাফু অদু কোকহনবা ঙম্লোই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিও লিবরেল ইকনমি পোলিসী মখা তানা চৎনহল্লুবদগী হান্নদগী অরুবা ফীভমদা লৈরক্লবা ইকনমিগী ফীভমদগী কোভিদ-১৯না লৈবাক্কী ইকনমিক অমুক হেন্না শোকহল্লকপনি। লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা মীয়াম্বু মখোয়গী মতেং পাংবীনবা লৈত্রে হায়না খলহল্লোইদবনি। মখোয়বু নীংবা কায়রবা পুন্সি মহিংদা হিংহন্নবা হোৎনরোইদবনি। কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মীচম-মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া অদু য়েংলগা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মীনুংশি য়াওদবা মচৎ চুমথোক্লবা অমসুং মমিৎ পাংহন্নবা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। হৌজিক মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লায়রবশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি মখা শাংথহন্দনবা সী পি আইনা অঙম্বা থাক্তা থেংনগনি।

মে ১৯গী লৈবাক শিনবা থুংবা প্রোটেষ্ট অসিগা মরী লৈননা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী অখন্নবা বস অমসুং ট্রেন সর্ভিসশিংদা চানবা পোৎলম অমসুং থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনবা তাই। মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদা ট্রেবেল এল্লাওৱেন্স ওইনা লুপা লিশিং ১০ পীনবা, এম জি এন আর ঈ জি এগী চৎন-কাঙলোনশিং শেমদোক্তনবা দিমান্দ তৌরি। থবক শুবগী নুমীৎ মশিং হেনগৎহনবগা লোয়ননা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী খুৎশুমল মতম চানা পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# হেরিকোনগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা ইথনিকশিংগী শক্তম শাগৎপদা চাউনা থৌদাং লৌরিবা হেরিকোনগী হান্না থৌ পুরম্বশিংগী মতম লোইরদুনা কুমজা ২০২০ দগী চহী ৩ থৌ পুনবা ওফিস বিয়াররশিং খনবগা লোয়ননা ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা হেরিকোনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না হেরিকোনগী এদভাইজর এন জি জাদুমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০২০ দগী ২০২২ ফাওবা থৌ পুনবা খল্লবা ওফিস বিয়াররশিং অদুদি, প্রসিদেন্টদা লোংজম রতনকুমার, ভাইস প্রসিদেন্টদা লাইশ্রম সনাজাওবা, সেক্রেটরি জেনরেলদা য়ুমখাইবম সুজিৎকুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা অহৈবম অনন্দ, সেক্রেটরি রিছার্স এন্দ এদ্যুকেসন্দা কিরনকুমার, সেক্রেটরি আর্ট এন্দ কলচরদা টি ঐচ কিশ্বরজিৎ, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা বিরচন্দ্র, ওফিস সেক্রেটরি পুয়াম মনিশ্বর, সোসিও ইকনমি এফেয়র্স সেক্রেটরিদা মুতুম কান্তা, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনগী টি ঐচ সন্তোশ, সেক্রেটরি পব্লিক গ্রিভান্স সেলদা কে ঐচ সনামতুম, পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরিদা ৱাই য়াইফবা, এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা মথংশিৎনা ৱাহেংবম পোলি, সনসম বোরমনি, প্রিয়ারঞ্জন, এন দালমিলর, ওইনাম ব্রোজেন, কে ঐচ প্রমো, এম মেমচা, লাইশ্রম য়াইফবী অমদি বি পদ্মানি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।৫।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা; কালেনগী ২৭ নি পানবা।

**মেষ :** হকচাং খিংবা, অকল অথৌগী থবক্তা মাই পাকপা অমদি থৌনা লৈবনা ওইজ-ওইথক ফংগনি। য়েক্লবনা নরলদা মীতাবা, চিন শোইরগা লন মাংবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নিংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/হিগোক।

**বৃষ:** ইকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংহবা য়াবা লৈ-ৱাঙাং চেকশিল্লু অমদি নিংথিনা খস্থৌ। শেলথুমগী লমদদি মাই পাক্কনি অমদি অচুম্বনা মাই পাকচৌ হাইবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী-** চিন য়াংগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/হিগোক।

**মিথুন:** মাই পাকপা, মীচং খোম্বা য়াবা অমদি খনবদুমক তৌবনা কান্নগদবা নুমিৎনি।কিবা,চিংনবা অমদি লৈফম কংদবা খরসু লৈগনি।অহল লমন লোইনৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নিংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক

**কর্কট:** মীপাইবা লাংতক্লবা অমদি অঙম্বগা মুক্লবা য়াবা খরদি লৈগনি। অদুবু হনবা লৈতনা হোৎনবনা ওইজবা ফংগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই, মীয়াম্না চানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নুংশি মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা।

**সিংহ:** য়েৎনবা অমদি হোয়া ফবা য়াদে।খাংবা কনবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং লৌবনা লেম্নমক মীকোক থোংনা মাই পাকউ হাইবা লৈগনি। অঙম্বনা চানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী:** চরাংগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**কন্যা:** শোইদনা নিংবা থুংগনি, অশা লাক্কনি, লৌশিং থোক্কনি অমদি অচুম্বনা মাই পাক্কনি। অদুবু পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি অতোনবনা শিংচেপ থাবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী-** মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**তুলা:** ৱাখল নুংঙাইবা,লন চংবা, অশা চাওবগী কান্নবা ফংবা অমদি মীয়াম্না থোইনা থাগৎপিবা লৈগনি। মৈনদি তাথিরি- অশাওবা/অনম-তানবা থাদোকউ।
**লৈশা পাখংশিংগী-** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** ফিংগনু, শাওগৎকনু অমদি তপথৌ। হেন্না অশাশু তৌরুনু নিংবা কাইনবনি। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু অমদি মরুপ নত্রগা নক্লবগী মতেং লৌবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু:** হকচাং নুংঙাইগনি, মরুপকী মতেং ফংগনি, ঙাংথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি অমদি পন্দুনা লৈরম্বা থবক্কী লমদা পুক্লিং নুংঙাইবা লৈগনি। ইমুংগী ৱা তাউ।
**লৈশা পাখংশিংগী-** থাগৎপিগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা।

**মকর:** লৌশিং থোকপা ৱাৎলি অদুনা অখং অহৈ শাগনু। পাউদি নুংঙাইবা তাগনি, নিংবদি থুংগনি, ইমুং মনুং তান্নরগা পাংবা থবক খুদিং লেম্নমক মহৈ য়ানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা:** অনম তানবগী মহুৎতা নোল্লুক্লা চৎলু অমদি য়েক্লবনা নরল মাংহনবা ঙমদনবা চরাংনগনু। মরুপ্নদি থোইনা চানগনি অমদি অঙম্বা/অহল লমন্না চানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নুংশি মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা

**মীন:** লাইবক ফবা, পুক্লিং পেন্না নুংঙাইবা অমদি অরং অরাক ফংবগুম পেঞ্জবা লৈগনি। অঙম্বনদি তাথি অদুনা ফিংগনু অমদি নচাক নরল মাংদনবা চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীয়ু : এমসু

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

ওফিসর কয়া অমদি বেঙ্ক ওফিসলনা চাদা ১০ চাদুনা লৌমীশিংগী রাইট মৎলম্লে হায়না সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরিবসি মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীরকউ হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এমসুনা শাফোংলকপদগী ঙসি ফাওবা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌদুনা লাক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর কিষান সমান নিধি যোজনা হায়রিবা স্কিম অসিদা মীয়ামগী রাইট মৎপশিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা থোরকপা এমসুনা থেংনরে। মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ৱাবনা খম-থেংলবা মতমদা মীয়ামগী রাইট মৎপা মীওই খুজেক খরগা মান্নরগা লৌমীশিংগী য়াইফনবা স্কিম ওইরিবা পি এম কিষান সমান নিধি যোজনা হায়রিবা স্কিম অসিদগী বেঙ্ককী ষ্টাফশিং অমদি ওফিসল কয়ানা পার্সেন্টেজ লৌদুনা লৌমী মীয়ামগী রাইটশিংবু মৎলি। হুরান-লান্নাগী থবক তৌরে হায়বা পাউ অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা খঙবা ঙম্লকখিবনি।

চেন্নরিবা বেঙ্ক, ওফিসরশিংনা এমসু অমদি মীয়ামদা শেংদোকপীয়ু। মখা তানা হায়রিবা স্কিম অসিগী মতাংদা এমসুনা অকনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। মসিদা থৌওইনা তাদবা না কনবগী মওং তৌরক্লবদি এমসু অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চেন্নরিবশিং অসিগী মথক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# 'ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু, গোদাউনশিংদা হার থম্বীয়ু'

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

লৈঙাক্লা লৌফমশিংদা ঈশিং ফংনবা হোৎনবীয়ু। সোসাইটিগী গোদাউনশিংদা হার থম্বীয়ু হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৌমীশিংনা অঙনফৌ থারিবা অমদি খরিফকী লৌ পান্নবা হোৎনরিঙৈদা ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। কোভিদকী অৱাবা কয়াসু লৈরি। লৈঙাক্লা লৌফমশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু। হার মতম চানা পীবীয়ু। ঈশিং পীনবা আর এল আই পম্প সেট ২৫০ রোম কদায়দা লৈখ্রবগে। প্রোজেক্ট কয়া অমসু পায়খৎখ্রবনি। প্রোজেক্টশিং অদু নীংথিনা পায়খৎলবদি ঈশিং ফংদবা লৌফম লৈরোই। লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী চাউখৎনবা বজেট কয়া শেন্মী। লৌমীশিং দবল ইনকম ফংহনগনি হায়রবসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎনবা লুপা ক্রোর কয়া কায়থোক্লে হায়না লাউথোকখি। হৌজিক লৌমীশিং অৱাবা মায়োক্লরে। লৌমীগীদমক থাদখিবা শেনফমশিং, কায়থোকখিবশিং পুকচেল শেংনা থাদরম্লগদি লৌমীশিংনা লৈঙাক্তা লাউরম্লোই। লৌউ-শিংউ দিপার্টমেন্টনা মাগী মাগী জোনশিংদা লৌমীশিংগা তান্নদুনা খুৎশু-খুৎলায় কয়া ফংহল্লু। হার মরাং কায়না ফংহল্লু। হার পুরকপদা ফংই, ফংদে হায়বা থোক্তনবা মীৎয়েং চঙউ। কোভিদ-১৯গী অৱাবা য়েংলগা পুকচেল শেংনা থবক তৌবীয়ু। কোওপরেটিভ সোসাইটিশিংগী গোদাউনদা হারশিং থমদুনা মরী লৈনবশিংনা য়েনবনা পুম্নমক্কী অফবা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সঞ্জয় ফাখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

অন্দ্রো এ সীদগী লৌরেম্বম সঞ্জয় পোরোম্পাৎ পুলিসকী টিম অমনা ঙসি ফাখ্রে।

লৌরেম্বম সঞ্জয়গী মথক্তা এফ আই আর অমা পান্দুনা আর্মস এক্তা হান্না ফাখি। নুমীৎ মরিনি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথরবা মতুংদা ঙসি জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস ইম্ফাল ইষ্টকী মমাঙদা পুথোক্লগা বেল পীখি। তুংদা পোরোম্পাৎ পুলিসকী টিম অমনা লৌরেম্বম সঞ্জয়বু অমুক হন্না ফাখি। লৌরেম্বম সঞ্জয়গী দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থৌওং অসি সঞ্জয়বু অতম্লনা ফানবা হোৎনবা মাল্লি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# থৌবাল তুরেল লৈনাং ওইনা চেল্লে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল তুরেল লৈনাং ওইনা চেল্লে হায়না কিয়াম সিফাই ৱাংমতাবা দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ সুরেশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তুরেল অসিগী ফীভম শোকচিল্লক্লি। কোভিদ-১৯গী মতম অসিদা মীয়াম ৱানরে। ঈশিংগী অৱাবা কয়া অমসু থেংনরি। নোংমগী শুরগা চাবা মীয়ামদি কোক্তা খুৎ হাপ্নরে। লোকদাউন অসি করম্বা মতমদা লোইগদৌরিবনো হায়না মীয়াম্না হংনরি। মীওইবা খক্তা নত্তনা থৱায় পানবা কয়াসু ঈশিং তঙাইফদবনা য়াম্না ৱানরি। তুরেল খোংনুং মোৎশিল্লকপনা অৱাবা কয়া থেংনরি। তুরেল অসি কন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি। ঈশিংনা মীওইবা অমদি থৱায় পানবা পুম্নমক্কী থৱায়নি। ঈশিং য়াওদনা কনা অমত্তা হিংবা ঙমদে। থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা তুরেল অসি কন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা কিয়াম সিফাই ৱাংমতাবা দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না অঙম্বা মতেং পাংগনি। থৌবাল তুরেল অসি হৌজিক লৈনাং ওইনা চেল্লকপা অসিনা মীয়ামদা চাউনা অৱাবা থেংনরি। তুরেল অসিগী ঈশিং শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়নসু মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

হিয়াংলম লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী মেম্বর ওইরম্বা মাইবম মধুজয় থা অসিগী ১৬তা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা সী পি আই হিয়াংলম লোকল কাউন্সীলনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না কাউন্সীল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহাক্কী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা মীয়ামগীদমক থবক কয়া তৌরম্মী হায়রি।

# চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না দাইবেটিস পেসেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন লৈশংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দাইবেটিস পেসেন্ট এসোসিএসন মণিপুরনা দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংগী মীহুৎ শীন্দুনা চীফ মিনিষ্টরদা অনাবা মীশিংগী শেলগী মতেং নৎত্রগা হিদাক লেম্না পীবীনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। চীফ মিনিষ্টরনা মরাইবক থীরবা দাইবেটিস নারবশিংদা মতেং পীনবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হেল্‌ঠতা চে ইখ্রে, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হেল্‌ঠনা জোইন্ট সেক্রেটরি হেল্‌ঠতা চে ইরবা মতুংদা জোইন্ট সেক্রেটরিনা এস ওদা চে ইখ্রে। পুকচেল চাউরবা চীফ মিনিষ্টরবু দাইবেটিসনা নারবা পুন্নমক্লা শেলগী মতেং পীবীনবা থমখিবনি। মণিপুরদা লৈরিবা দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। দাইবেটিস পেসেন্ট এসোসিএসন্দা মিং চন্দ্রিবা দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংনা সার্টিফিকেট পায়রবদি এসোসিএসন অসিগী ওফিস মাস বিল্ডিং, ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লাক্তুনা মিং চনবীয়ু। অনৌবা লিষ্ট থাগৎপদা য়াওহৌনবা অথুবদা লাকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।